**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 07-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী ব্রউনসুগর অমসুং দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎশিং ফাগৎপা ঙমলে।

২) প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা অমসুং চাওখৎ লম্বীদা পুবদা মীৎয়েং থম্লি।

অমসুং

৩) দিল্লি বিধান সভা মীখলগী হয়েং ভোৎ মশিং থিনবা মপুং ফানা শেম শারে।

**------**

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা আইন কায়বা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং হৈঙাংখোংদগী মণিপুর পুলিসনা মীওই অমা ফাগৎখ্রে। মীওই অসি হত্তা পাব্লিক হোস্পিতাল মনাক্তা নোন-লোকেল অনি নমদুনা ফাবগী থবক্তা চেন্নবনি হায়রি। মীওই অসিনা ফানবা হোৎনরম্বা নোন লোকেলশিং অদুদি পুলিসনা অশোই অঙাম য়াওদনা কনবা ঙমহৌরে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী অনিতা এস.টি.দি স্কুল, ক্কাক্তা পাঙল লমখায়দগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ব্রাউনসুগর ওইগনি চিংনবা কিলোগাম অমা হেনবা

পোৎলমগা লোয়ননা মীওই অমা ফাগৎখি। মীওই অদুদগী মোবাইল হেন্দসেট অমা অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী মোরে গেট নম্বর-ৱান অসাম রাইফলস চ্যেক পোষ্ট এরিয়াদগী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি। মঙোনদগী কিলোগ্রাম অমা মখায় রোম লুম্বা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ পেকেট ৭, মোবাইল ফোন অমা অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎখি।

মরক অসিদা নেসনেল হাইৱে অনি ইম্ফাল-জিরিবাম অমসুং ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪৮৭ ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

মীয়ামগী নুমিৎ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি অমসুং হয়েং পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি কুম্বি গভর্নমেন্ট হাইস্কুল গ্রাউন্দ, তেরাখোং কুম্বিদা অয়ুক পুং ১১ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি। মসিদা মীয়ামা শরুক য়াবীদুনা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌবীনবা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লৌরেম্বম বিক্রমনা আপীল তৌরি।

দিসএবিলিতি (এল)ঃ  রাজ্য সরকারগী ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী সহরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সুগমায়া য়াত্রা ঙসি অয়ুক লমথারগনি। মসিগা লোয়ননা গুকল প্লে ষ্টোর অমসুং এপ্পল এপপ ষ্টোরদা য়েস টু এক্সেসসু হৌদোক্কনি।

মসি দিফরেন্টলিএবল ওইরবশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াওনা অতৈ খুদোংচানবশিং ফংহন্নবগীদমক্তা পায়খৎপা থৌরাংনি।

মোদি ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীয়ামা মহাক্কী সরকারবু চাংয়েং কয়া তৌদুনা থাজবা থম্বীরে। মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা মাংলোমদা থমদুনা থবক খুদিংমক পায়খৎলি হায়বগী থাজবা পীখি।

রাজ্য সভাদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনবু থাগৎ ৱারোল খন্ন-নৈনবদা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা অমসুং চাওখৎ লম্বীদা পুবদা মীৎয়েং থম্লি। মিদল ক্লাসকী মীওইশিংনা সরকার অসিদা অচেৎপা থাজবা থম্লি অমসুং লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা হেন্না পুকিং চংশিল্লি।

দিল্লি ঃ   দিল্লি বিধান সভা মীখলগী হয়েং ভোৎ মশিং থিনবা শেম শাবা লোইরে। দিল্লিগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা হায়- হয়েং ভোৎ মশিং থিনবা চেকশিন থৌরাংশিং মপুং ফানা লৌখৎলে। ভোৎ মশিং থিনবা কাউন্টিং সেন্তর ১৯ জিলা ১১ দা হাংদোক্লে। মসিগীদমক মীওই লিশিং ৫ ভোৎ মশিং থিবা অসিদা শরুক য়ানবা শেম শারে।

পরিক্সা ঃ   পরিক্সা পে চরচাগী ৮ লক শুবা ইদিসন চহি অসিগী ওইনা অনৌবা মওং অমদা পাঙথোক্লগনি অমসুং তাঙ্কক ৮ লৈগনি। থৌরম অসি থা অসিগী ১০ দা নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোক্কনি।

শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়- অনৌবা মওং অসিদা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মমিং লৈরবশিংনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি অমসুং মখোয়গী লৌশিং অমদি থেংনদুনা খঙলকপশিং তাথোক তাশিন তৌনগনি। মন্ত্রালয়না হায়- থৌরম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী খনগৎলবা মহৈরোই ৩৬ প্রধান মন্ত্রিগা হকথেংননা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। চেরোল অদুনা হায়- অহানবা ইপিসোদতা প্রধান মন্ত্রিনা মহৈরোইশিংগা ৱারী শান্নগনি। প্রোগ্রাম অসি দুরদর্সন, স্বায়ম, স্বায়ম প্রভা, পি.এম.ওগী য়ু ট্যুব চেন্নেল অমসুং ইদুকেসন অমদি ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সোসিয়েল মিদিয়া চেন্নেলশিংদা শন্দোক্কনি।

কুমশি চহিগী ওইনা শিক্ষা মন্ত্রালয়না মহৈরোই, মখোয়গী মমা মপা অমদি ওজা কোতি ৩ লাখ ৫  থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা রেজিষ্টর তৌরকখি।

প্লেন ঃ মধ্য প্রদেশকী শিবপুরি জিলাগী বেতা খুলদা ঙরাং এয়ার ফোর্সকী ফাইটর জেট অমা কায়খ্রে। প্লেন অদু মৈ চাকপগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস অমদি ফয়ার বৃগেদকা টিমশিং মফম অদুদা চংশিনখি। প্লেন অদুগী পাইলোত অনিমক অশোক অপনদি য়াওখিদে হায়রি। থৌদোক অদু করমা থোকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবা খঙবা ঙমদ্রি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা থৌদোক অদু থিজিন্নবা খঙহনখ্রে।

গেমস ঃ ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা ঙরাং ফাউবদা গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ১১ পুন্না তকমান ৩০ ফংদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি। করনাতক্কানা সনাগী ৩০, লুপাগী ১১ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৫ পুন্না তকমান ৫৬ ফংদুনা অহানবা, সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ২৮ য়াওনা পুন্না তকমান ৫২ ফংদুনা অনিশুবদা অমসুং মহারাষ্ট্রনা সনাগী ১৯ য়াওনা পুন্না তকমান ৮৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা মন্ত্রি-এম.এল.এশিংনা মহা কুম্ভ মেলাদা শরুক য়ারুবা, অনিরকসুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল হৌদোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

দিসক্কালিফিকেসন কেস অমগী মথংদা অমা এন.পি.পিগী এম.এল.এ মরিগী দিসক্কালিফিকেসন কেস লৌখৎলে। ফেব্রারি ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরকবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ত্রিবেনি সঙ্গমদা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন্না লুচিংলগা ইরুপ্পুনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা থৌনিখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন

তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা মোর্নিং বেল, গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লো লৈত্রে হায়বা পাউ মণিপুর নিউজগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- নুমিৎ মরিনি চথুগদবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে, ফিলমনা সোসাইতিদা অচুম্বা য়াওল পুরকপা ঙমগনিঃ রঞ্জন হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মহুদ মিনিষ্টর খেমচান্দ ইম্ফালদা হল্লকখ্রে, ৱাফম অমত্তা ফোংদোকউ য়াখিদ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মণিপুরী ইদিসনদসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈঙাক অসি লাকপদগী পোলিসি লৈতদুনা নেসনেল গেমসতা মকোক নত্রগা মথংদা লৈরম্বা মণিপুর ঙসিদি মনিংদা হন্থরক্লেঃ মেঘচন্দ্র হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

খুল ঙাকপগী ফাবগী কেস দিল্লিদা ত্রান্সফর তৌখিবদু চৎনহনখিদ্রে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পি.এম. দিভাইনগী মখাদা নোর্থ ইষ্টতা প্রোজেক্ট ৩৬ সেঙ্কসন তৌখিবগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা প্রোজেক্ট ৬ য়াওরি হায়বা দোনর মিনিষ্টরগী ৱাফম মণিপুর নিউজগী এদিতোরিয়েল কলমদা ফোংলি।

স্পিকর ত্রাইবুনেলদা হিয়ারিংশিং, ঙসিনা বি.জে.পিদা চংখিবশিংগী ১২ দনা সি.এমগা পুনবশিংগী হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------